# কাশ্মীর ইন্দিয়াগী শরুকনি, ৱারী শানবগী মতাংদা চপ চাবা ৱারেপ লৌদ্রি : এম ঈ এ

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৮(এজেন্সী):

কাশ্মীরগী মতাংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৌরিবা ফিরেপ অমুক্কা হন্না ফোঙদোক্লদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যের্স (এম ঈ এ)না হায়খ্রে মদুদি, পাকিস্থাননা কাশ্মীরগী মতাংদা খুৎ থিংজিল্লকপগী মথৌ তাদে। হীরম অসিদা অতোপ্পা লৈবাক্না খুৎ থিংজিল্লকপা মতমদা ইন্দিয়ানা তুমিন্না লৈথোক্লোই।

এম ঈ এগী স্পোক্সপার্সন বিকাশ স্বরুপনা হায়খি, জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু ইন্দিয়াগী তৎন-থানবা য়াদবা শরুক অমনি হায়বা পাকিস্থাননদা ময়েক শেংনা খঙহনখ্রে। ইস্লামাবাদতা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা সার্কমীফমদা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলি শরুক য়াগদ্রা হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা স্বরুপনা হায়খি, হীরম অসিগী মতাংদা অরোইবা ফিরেপ লৌবা লৈত্রি।

পাকিস্থান ওক্যুপাইদ কাশ্মীর (পি ও কে) দা পাক শন্না হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি। পি ও কেদা লৈরিবা মীওইশিংসু ইন্দিয়াগী সিটিজন ঙাক্তনি। মরম অদুনা মফম অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী অৱাবদা গভর্ণমেন্টনা শরুক য়াবা মথৌ তাই।



পি ও কেদা য়ু এনগী হ্যুমেন রাইটস টিম অমা চঙহনখিদবা পাকিস্থানগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, পাকিস্থানগী অশেংবা মশক করিনো হায়বা থৌদোক অদুদগী ময়েক শেংনা খঙবা য়ারে। হৌজিক্তি লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহনবগী ৱাফম অসি পাকিস্থাননা লৌখৎলকপা থৌরাংগী মখা পোল্লগনি।

অমরোমদা, ফোরেন সেক্রেটরি এস জয়শঙ্করনা হায়খ্রে মদুদি, পাকিস্থাননা কাশ্মীরগী মতাংদা ৱারী শানসি হায়না চেবাউ পীরকখিবা মতমদা ইন্দিয়ানা অয়াবা পীখিদ্রে।

পাকিস্থানগী ফোরেন সেক্রেটরি আইজাজ অহমদ চৌধরিনা পীরকখিবা চেবাউ অদুগী পাউখুমদা ইন্দিয়াগী ফোরেন সেক্রেটরি এস জয়শঙ্করনা কাশ্মীরগী মতাংদা খন্নগদবা ওইরবদি ইস্লামাবাদতা চৎপগী মথৌ তাদে হায়না ময়েক শেংনা পাউখুম পীখি।

ক্রোস বোর্দর টেররিজমগী মতাংদা ৱারী শানগদবা ওইরবদি ইস্লামাবাদতা চৎপদা অকায়বা লৈতে। অদুবু কাশ্মীরগী মতাংদদি থোইদোক্লা খন্ননিংঙাই লৈত্রে। মরমদি কাশ্মীর অসি ইন্দিয়াগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অমনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সাউথ এসিয়ন এসোসিএসন ফোর রিজনেল কোওপরেসন (সার্ক) লৈবাকশিংগী মরক্তা অফবা মরী থম্নবগী মতাংদা ফোরেন সেক্রেটরিনা হায়খি, ইন্দিয়ানা সাউথ এসিয়াগী লৈবাকশিংগী মরক্তা অচেৎপা মরী শাগৎনবা হোৎনদুনা লাকখি। অদুবু পাকিস্থাননা থেংখাং কয়ারক্তা অপনবা পীখি।

পাকিস্থানগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা জয়শঙ্করনা হায়খি, ইস্লামাবাদনা টেররিজমবু ফোরেন পোলিসিগী মরুওইবা খুৎলাই অমা ওইনা শীজিন্নরি। খা এসিয়া লৈবাকশিংনা পায়খৎপা থৌরাং কয়া পাকিস্থাননা মরম ওইরগা মহয় য়ানবা ঙমদনা লাকখিবনি। ন্যু দিল্লিদা লৈবা ফোরেন করেস্পোন্দেন্টস ক্লবতা পাঙ্মীশিংগা উনখিবা অমদা মথক্কী ৱাফম অসি জয়শঙ্করনা ফোঙদোকখিবনি।

ইন্দিয়ানা পায়খৎলিবা ফোরেন পোলিসিগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, লৈবাক অসিনা য়ুমলোন্নবা লৈবাক পুন্নমক্কা অফবা মরী পুরক্কুবা থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু টেররিজমনা মরম ওইরগা মায় পাকপা ঙমদ্রি। হৌখিবা চহী অনীরোম পাকিস্থানগা অফবা মরী থম্নবগী মতাংদা ইন্দিয়ানা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎখিবগা লোয়নন্না হৌখিবা দিসেম্বর থাদা ফোরেন মিনিষ্টর মশামক ইস্লামাবাদতা চৎতুনা হার্ট ওফ এসিয়া কনফরেন্সতা শরুক য়াখি। অদুবু মদুগী মতুং ইকুই কুইদনা পথানকোটতা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকখি। মতৌ অসুম্না ইন্দিয়ানা হোৎনবা পুন্নমক পাকিস্থাননা অরেম্বা তাহন্দুনা লাক্লি।

# সিয়াচেনদা স্মৃটিনা লান্মীশিংগা রক্ষা বন্ধনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৮(এজেন্সী):

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃটি ইরানিনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী সিয়াচেন গ্লেসিয়রদা চৎতুনা আর্মি জৱানশিংগা লোয়নন্না রক্ষা বন্ধনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ইরানিনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী হেলিকোপ্টর অমা তোংলগা খ্বাইদগী ৱাংবা অমসুং ঈংবা ঙমখৈগী শরুক ওইরিবা সিয়াচেন গ্লেসিয়রগী আউট পোষ্টতা চৎতুনা রক্ষা বন্ধনগী থৌরম পাঙথোকখিবনি।



য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা লান্মী ২০ লোমগী খুদাংদা রাক্ষি পুনবীদুনা নুংঙাই য়াইফনা অমসুং পূন্সি নুংশাংনা হিংনবা য়াইফ থৌজাল পীখি। ইরানিনা দিল্লিদগী পুরকপা ময়ুমদা শেমজবা অথুম-অহাওশিং লান্মীশিংদা য়েন্থোক্তুনা পীজখি হায়রি।

মফম অদুদা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা লৈবাক্কী ঙমখৈ ঙাক্লিবা লান্মীশিংগী মফমদা ৱা ঙাঙলদুনা ইরানিনা হায়খি মদুদি, অহিং নুংথিল নাইদনা ঙমখৈ ঙাক্লিবা লান্মীশিংগী মফমদা লৈবাক্না মতম পুম্নগী ওইনা লমন তোনশিন্দুনা লৈরবনি। মতৌ অসুম্না ঙমখৈ ঙাকপগী থৌদাং লৌরিবা লান্মীশিংগা লোয়নন্না রক্ষা বন্ধনগী থৌরম পাঙথোকপা ফংজবা লাইবক ফবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

এক্সটর্নেল এফ্যের্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজ, ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর উমা ভারতি, ৱিমেন এন্দ চাইল্ড ৱেলফ্যের মিনিষ্টর মনেকা গান্ধী, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর কন্সুর্মস নির্মলা সিতারামন, ফুদ প্রোসেসিং মিনিষ্ট্রিগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট সাধবী নিরঞ্জন জ্যোতি অমসুং হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট অনুপ্রিয়া পটেলসু তোঙান-তোঙানবা মফমদা পাঙথোকখিবা রক্ষা বন্ধনগী থৌরমশিংদা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা রক্ষা বন্ধনগা মরী লৈননা লৈবাক মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়খ্রে মদুদি, থৌরম অসিনা লাকপদা ইমুং-মনুংগী ওইবা মরী চেৎশিনহনবগা লোয়নন্না নুপীশিংগীদমক অফবা খুন্নাই অমা লৈহনবা ওইরসনু। লৈবাক অসিগী নাৎকা মরী লৈনবা থৌরম অসিনা ইমুং-মনুংগী মবুং-মৌপ্পাগী ওইবা অচেৎপা মরী অদু ময়েক শেংনা উৎলি। থৌরম অসিনা লাকপদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপী খুদিংমক ইকায় খুম্ননিংঙাই ওইবা ফীভম অমদা থম্বা ঙম্বা ওইরসনু। মৌবুং মৌপ্পাগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অমুক্কা হেন্না চেৎশিনহনবগা লোয়নন্না নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমশিং মতম পুম্বগী ওইনা মাঙহনখিবা ওইরসনু হায়না কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা মখা তানা ফাঙদোকখি।

# পুলৱামাদা মীওই অমা শিখ্রে, কাশ্মীরদা কর্ফিয়ু মখা চথরি

শ্রীনগর, ওগষ্ট ১৮(এজেন্সী):

কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সেস অমসুং প্রোটেষ্টর-শিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবদা লেকচরর অমা শিখিবগা লোয়নন্না অতোপ্পা মীওই ১৮ অশোক-অপন নংখ্রে।

মখা তানা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থম্লিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম খরদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা থিবা-হুম্বগী থবক চথনবা থৌরাং লৌখৎলকপদা প্রোটেষ্টরশিংনা অথিংবা পীখি। নাকল অনী খুৎ থোক্লরকপদা সবির অহমদ মোঙ্গা কৌবা লেকচরর অমা শিখিবগা লোয়নন্না অতোপ্পা মীওই ১৮ অশোক-অপন নংখি হায়না পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

মফম অদুগী মীয়াম্না এজেন্সীদা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না হৌজিক চঙশিল্লিবা মীয়ামগী ঈহৌ অসিবু লুচিংবা মীওই খরা ফাগৎনবগীদমক আর্মিনা য়ুমথোঙ খুদিং চঙদুনা থিবা-হুম্বগী থবক চথবা হৌরকপদা মীয়াম্না অথিংবা পীরুবনি হায়রি।

নাকল অনী মুক্করত্তুনা খুৎ থোক্লরকপদা মশাগী চহী ৩০ রোম শুরবা লেকচরর অমা শিখি হায়না মফম অদুগী মীয়াম্না এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, শ্রীনগর দিষ্ট্রিক্ট, অনন্তনাগ টাউন অমসুং পম্পোরেদা মখা তানা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থম্লি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা জুলাই ৮ দা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা হিজবুল মুজাহিদীনগী কম্মান্দর বুরহান ৱানি হাৎখ্রবা মতুংদা মীয়ামগী ঈহৌ হৌরকপদগী কাশ্মীর তম্পাক্তা মহৌশাগী পূন্সিদা চাউনা অকায়বা থোকহন্দুনা লাক্লি।

অমরোমদা, মিলিটেন্টশিংনা বরামুলা দিষ্ট্রিক্টকী খ্বাজাবাগ এরিয়াদা এটেক চথুরকপদা আর্মি জৱান অনী অমসুং পুলিসমেন অমা শিরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদুদা অতোপ্পা আর্মি জৱান অনী অমসুং পুলিসমেন অমসু অশোক-অপন নংখি হায়রি। মফম অদুদা অহেনবা সিক্যুরিটি পার্সনেল থাজিন্দুনা এটেক চথুরকখিবা মীওইশিং অদু ফানবা থিবা-হুম্বগী থবক চথুরি।

মরকসিদা, পুলিসকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খ্রে মদুদি, বরামুলা দিষ্ট্রিক্টকী সোপোর এরিয়াদা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়াম্না নুঙ লংশিল্লকপদা সিক্যুরিটি পার্সনেল অমা অশোক-অপন নংলে।

হুরিয়ট কনফরেন্সকী লুচিংবা মিরৱাইজ উমর ফরুখনা অথিংবা থুগাইদুনা য়ুনাইটেদ নেসন্স মিলিটরি ওবজার্ভর গ্রুপ (য়ু এন এম ও জি) গী ওফিস তম্না লাক্লবা হোৎনবদা অথিংবা পীরুবগীদমক মীয়াম্না নুঙ লংশিল্লকখিবনি হায়রি।

শ্রীনগর সীটিদা অহেনবা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং থাজিন্দুনা য়ু এন এম ও জিগী ওফিস তাবা লম্বী পুন্নমক থিংজিনখি।

কাশ্মীরগী ৱাথোক্তা মীৎয়েং চঙবীরক্লবগীদমক ৱাকৎ চে অমা পীশিন্নবা য়ু এনগী ওফিস তম্না খোঙচৎ অমা চৎকনি হায়না হুরিয়ট কনফরেন্স অমদি অতৈ তোঙান-তোঙানবা সেপরেটিষ্ট গ্রুপশিংনা লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

# ‘দি এম কেগী এম এল এশিং তান্থোকপগী খোঙফম হন্দোক্লোই’

চেন্নাই, ওগষ্ট ১৮(এজেন্সী):

দি এম কেগী এম এল এশিং টামিল নাদু এসেমল্লিদগী চয়োল অমা তান্থো-ক্লবগী মতাংদা থোকখিবা ওর্দর অদু হন্দোকপগী ৱাফম লৈতেহায়না স্পিকর পি ধনপালনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

এসেমল্লিদা কোংগ্রেস অমদি দি এম কে পার্টিগী মেম্বর খরনা ৱাফম অসি পুখৎলকপা মতমদা ধনপালনা হায়খি মদুদি, মীফমদা অপনবা থোকহনখি-বগীদমক এম এল এ খরা তান্থোক্লবা ফিরেপ লৌখিবা অদু খোঙফম হন্দোকপগী ৱাফম লৈতে।

অমরোমদা, ওপোজিসন লীদর ওইরিবা দি এম কেগী এম কে ষ্টেলিন অমসুং পার্টি অসিগী অতৈ লেজিসলেটরশিংনা এসেমল্লি চঙফমদা সীট ইন প্রোটেষ্ট চথখ্রে।

পনবা য়াবদি, মীফম পাঙথোক্লিঙৈদা কা হেনবা থৌওং চথরকই হায়বগীদমক দি এম কেগী মেম্বর ৮০ বু চয়োল অমা চুপ্পা হাউসতগী তান্থোক্লবা স্পিকর ধনপালনা য়াথং পীখিবনি। অপূনবা মেম্বর ২৩৪ লৈবা এসেমল্লিদা দি এম কেগী মেম্বর ৮৯ লৈরি।

য়ুমশকৈশ নুমিৎতা হাউসকী লীদর ওইরিবা ফাইনান্স মিনিষ্টর ও পনির সেলবমনা দি এম কেগী এম এল এ পুন্নমক চয়োল অমা চুপ্পা তান্থোক্লবা রিজোল্যুসন অমা পুখৎলক্লবা মতুংদা হাউসনা অয়াবা পীখি। অদুমওইনমক দি এম কেগা চৎমিন্নরিবা কোংগ্রেসকী এম এল এশিংদি এসেমল্লিগী মীফমদা মখা তানা শরুক য়াখিগনি।

ওপোজিসন লীদর ওইরিবা দি এম কেগী ষ্টেলিননা মথং চহীগী মে থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমল্লি ইলেক্সন মাঙওইননা মীয়ামগা হকথেংননা উননবগীদমক মাস কন্টেক্ট প্রোগ্রাম অমা পায়খৎলি হায়না এ আই এ দি এম কেগী এম এল এ গুনসেকরননা ফোঙদোরকপদগী হাউসতা চরাংনবা থোকখি। দি এম কেগী এম এল এশিংনা খুদক্তা ৱাফম অদু হন্দোক-হনগদবনি হায়না স্পিকরগী মফমদা তকশিনখি। মদুদা স্পিকরনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তগী মমিং পনখিবা লৈতবা মরম্না ৱাফম অদুদা অকায়বা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

মতাং অদুদা ষ্টেলিন অমসুং দি এম কেগী এম এল এশিংনা স্পিকরগী মফমদা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। মদুগী মনুংদসু দি এম কেগী মেম্বরশিংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন মীফমদা অপনবা পীরকপদগী স্পিকরনা পার্টি অসিগী এম এল এ পুন্নমক চয়োল অমা চুপ্পা হাউসতগী তান্থোক্লবা য়াথং পীখি।

ওপোজিসন লীদর ওইরিবা ষ্টেলিনদি হাউসতগী মার্সলশিংনা থাংদোক্লগা পুথোকখি। তুংদা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা দি এম কেগী লুচিংবা ষ্টেলিননা হায়খি মদুদি, স্পিকরনা হাউসকী লুচিংবা ও পনির সেলবমগা লৌতুনরগা দি এম কেগী এম এল এ পুন্নমক হাউসকী মরুওইবা মীফমদা য়াওহন্দনবা থৌরাং তৌরে।

# কেরলাদা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংগী লুপা ক্রোর ১০,০০০ কাইথোক্কদৌরি

টিরুবনন্তপুরম, ওগষ্ট ১৮(এজেন্সী):

লাক্কদৌরিবা চহী ৫গী ওইনা কেরলাদা লৈরিবা গভর্ণমেন্টকী স্কুল অমদি এইদেদ স্কুলশিংগীদমক লুপা ক্রোর ১০,০০০ কাইথোক্লগনি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর থোমাস আইসাকনা ফোঙদোকখ্রে।

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া- মার্ক্সিষ্ট (সী পি আই-এম) না লুচিংবা লেফট দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা মথৌ তাবা থৌরাং পুন্নমক লৌখৎনবা আই টি এট দ রেট স্কুল প্রোজেক্টতা শীন্নখ্রে।

স্কুলশিংদা ইনফোর্মেসন টেক্নো-লোজিগী এদ্যুকেসন পীনবগীদমক কুমজা ২০০১ দা গভর্ণমেন্টনা আই টি এট দ রেট স্কুল প্রোজেক্ট পায়খৎপা হৌখিবনি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা প্রোজেক্ট অসিগী ইকজিক্যুটিভ দিরেক্টর কে অনৱার সদাতনা হায়খি মদুদি, তাঙ্কক অনী থোক্লা থৌরাং লৌখৎকনি। অহানবা তাঙ্কক্তা গভর্ণমেন্টকী স্কুল অমদি এইদেদ স্কুল খুদিংমক্তা হায়-টেক ক্লাসরূম ৬০,০০০ শেমগৎকনি। অনীশুবা তাঙ্কক্তনা স্কুল ১,০০০ ইন্টরনেসনল থাক্তা পুখৎনবা হোৎনগনি।

প্রোফেসর ওইরম্বদগী পোলিটিক্সতা চঙলক্তুনা ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরকখিবা থোমাস আইসাকনা হায়রিবা প্রোগ্রাম অসি পায়খৎনবগীদমক অহানবা চহীগী ওইনা লুপা ক্রোর ৪৫০ খাক্তুনা থম্লে হায়রি।

প্রোজেক্ট অসি পায়খৎপদা থাদরক্কদৌরিবা শেনফম পুন্নমক মওং মরিন তানা শীজিন্নহন্নবগীদমক স্পেসল পর্পজ ভেহিকল (এস পি ভি) শেম্লে হায়না মিনিষ্টরনা লাউথোকখি।

হায়-টেক ক্লাসরূম খুদিংমক্তা কম্প্যুটর লেবোরেটরি থম্বগা লোয়নন্না অৱাংবা থাক্কী ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগা মরী লৈনবা লৌশিং ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়রি।

মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেট অসিগী স্কুল ১,০০০ ইন্টরনেসনল ষ্টেন্দর্দ য়ৌনা পুখৎনবগীদমক ইন্দোর ষ্টেদিয়ম অমদি অতৈ মগুণ লৈবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া শেমগৎলগনি। পাইলোট প্রোজেক্ট অসিগী শরুক অমা ওইনা স্কুল মরিদা অনৌবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা চাংয়েং তৌবা হৌরে হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, য়ুমশকৈশ নুমিৎতগী কেরলাদা মালায়ালমগী অনৌবা চহী হৌখ্রে। হিন্দু লাইনিং চৎপা মীওইশিংনা চহী হৌবা নুমিৎতা লুহোংবা অমদি অতৈ মরুওইবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লদুনা লাকখি। নুমিৎ অসিদা মীয়াম্না লাইশঙশিংদা লাই খুরুম্বসু চৎনৈ হায়রি।

ꯍꯩꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ/ লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থৰক্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্থা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়নন্না কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোকশাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3238/3/08-2/09

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
REGULAR COURSE FOR
NEET (Medical) & JEE-MAINS (Engineering) 2016-17
Classes will commence from 22/08/2016

HL-P/3269/19,20,21

CAS Medical & Engineering
The only institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION OPEN
Regular Medical Course for NEET EXAM, 2017
SPECIAL FACILITIES:
- Direct Admission after Counselling.
- Free Studentship for Toppers & Rank holder.
- Regular Weekly, Monthly, Test Series and Mock Test Series.
- Well Equipped Infrastructure with a Model Classroom System.
- Supply Authentic Study Materials from ENRICHMENT, New Delhi.

NEW BATCH

Registration FORM alongwith PROSPECTUS available from the CAS office.
Class Commencing from 22nd August, 2016
For detail Contact : CAS Office, Main Building, Keishampat Junction & New Block, Keishampat Opposite CCpur Parking.

HL-B/3236/3/8 - 2/10 (Alt)

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE OF RURAL DEVELOPMENT & PANCHAYATI RAJ

### NOTIFICATION

Imphal, the 18th August, 2016

No. 1/113/77-RD/XV/2016: In pursuance of Government approval letter No. 7/15/2012-RD (MC)/Pt. dated 18th August, 2016, the Rural Development & Panchayati Raj Department, Government of Manipur, invites applications in the prescribed format from intending candidates for appointment to the following posts on temporary basis in the Rural Engineering Department (RED) through sponsorship of the concerned Employment Exchange in Manipur:-

| Sl. No. | Name of Posts | QUALIFICATIONS | PAY SCALE (ROP 2010) subject to modification as per FD(PIC)'s concurrence | No. of posts | ST | SC | OBC | OBCMP | UR | PH 3% Horizontal |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | ACCOUNTANT | GRADUATE FROM A RECOGNIZED UNIVERSITY | Rs 5200-20200/- +2800/- (GP) | 6 | 1 | 0 | 1 | 0 | 4 | 0 |
| 2 | COMPUTER OPERATOR - GIS MAPPING | GRADUATE FROM A RECOGNIZED UNIVERSITY WITH A DIPLOMA IN COMPUTER APPLICATIONS OR ITS EQUIVALENT FROM A RECOGNIZED INSTITUTE/UNIVERSITY | Rs 5200-20200/- +2800/- (GP) | 10 | 3 | 0 | 1 | 0 | 6 | 0 |
| | | | SUB-TOTAL | 16 | 4 | 0 | 2 | 0 | 10 | 0 |
| 3 | LABORATORY ASSISTANT | XII Standard in Science from a recognized Board | Rs 5200-20200/- +2400/- (GP) | 8 | 2 | 0 | 1 | 0 | 5 | 0 |
| | | | SUB-TOTAL | 8 | 2 | 0 | 1 | 0 | 5 | 0 |
| 4 | ROAD MUHORRIR (RM) | MATRICULATE/HSLC OF A RECOGNIZED BOARD | Rs 5200-20200/- +1900/- (GP) | 32 | 9 | 0 | 4 | 1 | 18 | 1 |
| | | | SUB-TOTAL | 32 | 9 | 0 | 4 | 1 | 18 | 1 |
| 5 | DRIVER | MATRICULATE/HSLC OF A RECOGNIZED BOARD WITH DRIVING EXPERIENCE OF NOT LESS THAN 3 YEARS | Rs 5200-20200/- +1900/- (GP) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 | 0 |
| 6 | KHALASI | MATRICULATE/HSLC OF A RECOGNIZED BOARD | Rs 4440-7440/- +1300/- (GP) | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 | 0 |
| 7 | PEON | MATRICULATE/HSLC OF A RECOGNIZED BOARD | Rs 4440-7440/- +1300/- (GP) | 10 | 3 | 0 | 1 | 0 | 6 | 0 |
| 8 | PEON CUM SWEEPER | MATRICULATE/HSLC OF A RECOGNIZED BOARD | Rs 4440-7440/- +1300/- (GP) | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 | 0 |
| | | | SUB-TOTAL | 14 | 3 | 0 | 1 | 0 | 10 | 0 |
| | | | TOTAL | 70 | 18 | 0 | 8 | 1 | 43 | 1 |

2. Tentative Timeline for the recruitment:-

| Name of post | Date of requisition from EE | Last date of requisition from EE | Date of Notification | Date of issue of forms | Last date of issue/ submission of forms | Issue of admit cards | Date of written exam | Date of viva-voce |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 2 | 3 | 4 | 5 | 6 | 7 | 8 | 9 |
| Sl. No. 1 to 2 | 18/08/16 | 03/09/16 | 18/08/16 | 18/08/16 | 16/09/16 | 6th to 16th September 2016 | 25th September 2016 | To be intimated later |
| Sl. No. 3 | 18/08/16 | 03/09/16 | 18/08/16 | 18/08/16 | 16/09/16 | 6th to 16th September 2016 | NIL | To be intimated later |
| Sl. No. 4 | 18/08/16 | 03/09/16 | 18/08/16 | 18/08/16 | 10/09/16 | 6th to 16th September 2016 | 18th September 2016 | To be intimated later |
| Sl. No. 5 to 8 | 18/08/16 | 03/09/16 | 18/08/16 | 18/08/16 | 16/09/16 | 6th to 16th September 2016 | NIL | To be intimated later |

3. Age of the aspiring candidate shall be as per State Government Policy on the date of this Notification.
4. The modalities of the examination shall consist of a Multiple Choice Combined Written Test (MCQ) for ACCOUNTANT and COMPUTER OPERATOR - GIS MAPPING alongwith test for PA/VLW & LDC comprising of General Knowledge (50 marks) and General English (50 marks) tentatively fixed as per scheduled above followed by a viva-voce (20 marks) at a later date.
5. There shall be a separate Multiple Choice Written Test (MCQ) for RM comprising of General Knowledge (50 marks) and General English (50 marks) tentatively fixed as per scheduled above followed by a viva-voce (20 marks) at a later date.
6. There shall be no written test for LABORATORY ASSISTANT. A viva-voce test only shall be held.
7. There shall be no written test for Driver, Khalasi, Peon and Peon cum Sweeper. A combined viva-voce test only shall be held followed by a driving test for the post of Driver.

By Orders,
(Dr. K. Shyamsunder Singh)
Director,
Directorate of RD & PR,
Imphal East DC Complex,
Porompat, Imphal.

HL-P/9508/ 19